**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুর বিধান সভানা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিভাগ ১৪ গী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৫,৪৭২ রোম পাস তৌখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মণিপুরদা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) চখরবা মতুংদা য়ুমকোক মশিং থীগনি।

৩) য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- মণিপুরদা শান্ন-খোৎনবগী মচাক মথুম হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনরগনি।

৪) মণিপুরগা তাইনবা ভারত-ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাবগী থবক্তা অয়েৎ অপন পীরিবশিংগী মতাংদা মহরাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা সংসদকী মীফমদা স্পেসিয়েল মেনসন অমা পুখৎখ্রে।
অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রিনা কেরলমগী ইরনাকুলমদা লুপা কোতি লিশিং ১১ রোমগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

------

এসেমব্লি (এল)ঃ মনিপুর বিধান সভানা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিভাগ ১৪ গী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৫,৪৭১ লাখ ৯১ লিশিং ২০ পাস তৌখ্রে।

বিভাগশিং অদুদি- ষ্টেট লেজিসলেচর, কাউন্সিল ওফ মিনিস্তরস, সেক্রেটরিয়েট, লেন্দ রিছোর্সেস, পুলিস, পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট, টেক্সতাইল কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি, পৱার, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস, জেলস, প্রিন্টিং, ফিসরিজ, আর্ট এন্দ কলচর অমদি ইকোনোমিক এন্দ ষ্টেটেটিক্সনি।

দিমান্দশিং অদু খন্নবগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- মণিপুরদা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) তৌরবা মতুংদা য়ুমকোক মশিং থীগনি। মদু লোইরবা মতুংদা মীকোক থীবগী থবক অমুক পায়খৎকনি।

পুলিস দিপার্টমেন্টকী দিমান্দ খন্নবদা কংগ্রেসকী কে. মেঘচন্দ্রনা পুখৎলকপা কট মোসন অমগী পাউখুম পীরদুনা রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়- হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীকোক থীবগী থবক চত্থরকপদা মপুং ফাগনি থাজদে। মরম অদুনা সরকারনসু তোঙান তোঙানবা কমিতিশিং শেমদুনা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎলি। মফম কয়াদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীকুপ নাহুম শিংনা ঙাক শেল্লি। মসিগী মথক্তা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্বগী থবকশিং লেপ্তুনা চত্থরি। মহাকা হায়- লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগীদমক মতম মতমগী ওইনা পীবা য়াবা মতেংশিং পীরি। মখা তানাসু মখোয়গীদমক দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনরি। সেক্যুরিতি ফোর্সতগী নমদুনা লৌখিবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদুদগী মশিং হেন্না ফাগৎপা ঙমলে। অদুমওইনমক, সেক্যুরিতি ফোর্সতগী নমদুনা লৌখিবা নোংমৈশিং অদুগী মনুংদা লিশিং ১ রোমগী ময়াদি ফাগৎকদবা ৱাৎলি।

ৱাৎলিবা খুৎলায়শিং অদু ফাগৎনবা মখা তানা থবক পায়খৎলি। রাজ্য অসিদা তুং কোইনা তংদু লৈতনা লৈহন্নবা হোৎনবদা সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবসু গৃহ মন্ত্রিনা আপীল তৌখি।

এসেমব্লি-২ (এল)ঃ আর্ট এন্দ কলচর অমসুং তুরিজম মন্ত্রি খুরাইজম লোকেননা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং স্কিমগী মখাদা কুমজা ২০২০ দগী হৌদুনা মতেং পাংবগী থবক চখ্খরি।

রাজ্য বিধান সভাদা ঙসি আর্ট এন্দ কলচরগী দিমান্দ খন্নবগী পাউখুম পীরদুনা শ্রী লোকেন্না হায়- মণিপুরদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকখিবদগী চাউনা চৈথেং ফংখিবশিংগী মনুংদা আর্টিষ্টশিংসু য়াওরি। মহাকা হায়- আর্টিষ্টশিং অসি অতোপ্পা শিনফমশিংদা হেক্তা ইরায় লাইনা হোংদোকপসু য়াদবা মরমনা মখোয়না থেংনরিবা অৱাবশিংদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংননবা অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা আর্টিষ্ট লিশিং ১ পেন্সন পীননবা পান্দম থম্বগী মনুংদা ৮৯১ খনগৎতুনা মতেং পীবা হৌরে।

মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অসিগী ৱাৎলিবা ষ্টাফশিং মেনশিন্নবা অমদি আর্টিষ্টশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং হেন্না পায়খৎপা ঙমবা মুখ্য মন্ত্রিগা তান্নদুনা মখা তানা হোৎনখিগনি। মোইরাংদা লৈরিবা শঙাই ইথনিক পার্কসু অথুবা মতমদা শেমগৎলগনি হায়না মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

গোবিনদাস (এল)ঃ রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- মণিপুরদা শান্ন-খোৎনবগী মচাক মথুম হেন্না ফগৎহন্নবা কেন্দ্র সরকারদগী তেংবাং পীবীনবা তকশিল্লগনি।

রাজ্য বিধান সভাদা ঙসি য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসকী দিমান্দ খন্নবগী পাউখুম পীরদুনা মন্ত্রিনা হায়- মণিপুর অসি অপিকপা রাজ্য অমা ওইরবসু শান্ন-খোৎনবগী লমদা পৱার হাউসনি হায়নরিবনি। অদুবু রাজ্য অসিদা কুমজা ১৯৯৯ দা পাঙথোকখিবা নেসনেল গেমস অদুদা থম্লম্বা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অদুদগী মখা তানা নিংথিনা শেমগৎপা ঙমদ্রি। মরম অদুনা মতমগা চুনবা মওংদা শান্ন-খোৎনবগী মচাক মথুমশিং শেমগৎনবা সরকারনা কন্না হোৎনরগনি।

বিল (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভানা ঙসি দ মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন নম্বর-ৱান বিল, ২০২৬ মোৎ অমত্তা ওইনা পাস তৌখ্রে। বিল অদু পাস তৌনবা শেল

থুমগী বিভাকসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা খন্নদুনা পাস তৌনবা পুথোকখি। তুংদা সভানা বিল অসি পাস তৌখি।

নিংথৌ (এল)ঃ মণিপুরগা তাইনবা ভারত-ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা শন্বল খাবগী থবক্তা হঞ্জিন হঞ্জিন্না অয়েৎ অপন পীরিবা অসিগী মতাংদা মণিপুরগী নিংথৌ অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা স্পেসিয়েল মেনসন অমা পুখৎখ্রে।

মীফম (এল)ঃ বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশ কোর কমিতিগী মীফম অমা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, রাজ্যগী বি.জে.পি প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম সরদা দেবী, স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম অমসুং এম.এল.এশিং থোঙাম বিশ্বজিৎ অমদি দিংগানলুং গাংমৈ শরুক য়াখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ককী সি.ই.ও অমদি মেনেজিং দিরেক্তর অশোকচন্দ্রগা ঙসি ইম্ফালদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা বেঙ্ক অসিনা লমদম অসিগী খুঙ্গংশিংদা অরাইবা অমদি অপিকপা শেন্দোইদা লোন পীদুনা কান্নবা কয়া পীবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

এময়ু (এল)ঃ কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী মখাদা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন রিজনেল ওফিস ইম্ফাল অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী লো দিপার্টমেন্টনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী লো দিপার্টমেন্টকী ওদিতোরিয়মদা নারি শক্তি এন্দ ভিক্সিত ভারত এট ২০৪৭ কী মতাংদা স্পেসিয়েল আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী লো দিপার্টমেন্টকী হেদ অমসুং সেন্তর ফোর হ্যুমেন রাইটস মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিরেক্তর ডাঃ য়ুমাম প্রেমানন্দনা হায়-কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা চাওখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবা চংশিল্লিবা ভিক্সিত ভারতকী খোঙজং অসিগী মরুওইবা য়ুন্বী মরিগী মনুংদা নুপীশিং অসিসু

অমনি। মসিগীদমক শেল থুমগা মরী লৈনবা থবকশিংদা নুপীশিংবু চাদা ৭০ গী চাং য়ৌনা শরুক য়াহন্নবা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিতিজগী দিন, প্রোফেসার কোইজম তমফা অমসুং সি.বি.সি-আর.ও ইম্ফালগী ফিল্ড একজিবিসন ওফিসার- ঐচ. দিপককুমার শর্ম্ম শরুক য়াখি।

কম্মিসন (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্তিং হোলদা ঙসি মহিলা জনা সুনৱাইগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোনসাংনা হায়- নুপীশিংবু ঙাকপী শেনবীনবগীদমক মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অসি লৈরিবনি। মরম অদুনা নুপীশিংনা মখোয়না থেংনরিবা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবশিংগী ৱাকৎ কম্মিসন অসিদা চিংনবা লৈতনবা ৱাকৎলকবা মহাকা আপীল তৌখি।

খোঙজং (এল)ঃ মনিপুরদা মীকোক থিদ্রিবঁদা এন.আর.সি. চৎনহন্দুনা মীতোপ হান্না খন্দোকউ হায়বা দাবীদা, জষ্ট এন্দ ফিয়ার দিলিমিটেসন (জে.এফ.দি) না শিনদুনা ঙসি মীয়ামগী খোঙজং অমা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা চংশিনখ্রে। কৈথেল অসিদগী মীয়ামা মনিপুর বিধান সভা তমা খোঙচৎ অমা চৎনবা হোৎনরকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফমদুমক্তদা থিংখি। মদুদগী নাকল অনিগী মরক্তা চাউনা মুকবা থোরকখি। তুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা তানখায়খি। মদুদা মীওই খরা অশোক অপন নংখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী তুংদা ৱাংখৈদা লৈবা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা জে.এফ.দিগী ফাইনান্স সেক্রেতরি শুনিল করামনা হায়- মণিপুরদা মীতোপ খন্দ্রোক্ত্রিবঁদা মীকোক থীবা হায়বসি চুমদে হায়না খনবদগী সরকারগী পুকিং চিংশিন্নবা ঙসিগী খোঙজং অদু চংশিনখিবনি।

রিমস (এল)ঃ রিমস ইম্ফালগী পেদিয়াত্রিক এন্দ প্রিভেন্তিভ দেন্টিষ্ট্রি, দেন্টেল কলেজনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈদা লৈবা ৱাংখৈ হাইস্কুলদা প্রাইমারি স্কুলগী মহৈরোইশিংদা ওরেল হেলথকী মতাংদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখিবা থৌরম অদুদা ওজা অমসুং মহৈরোই ১৫০ রোমা শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিস ককচিংগী সাইন্স য়ুনিতনা শিন্দুনা ককচিং জিলাগী মহৈরোইশিংগী ওইবা ৪৪ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সাইন্স একজিবিসন ঙসি ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। একজিবিসন অসিদা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী লাকপা ক্লাস নাইনদগী তুয়েল্ভ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংনা শরুক য়ারি ।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কেরলমগী কোচিদা পাঙথোকপা অখিল কেরলা দিভারা সভাগী গোল্ডন জ্‌বিলিগী থৌরমদা শরুক য়াখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ৫০ অসিদা দিভারা সভানা ঙামীশিংগী হক কঞ্জনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। লমদম অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা ঙামীশিং অমদি সভা অসিগী মীওইশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু শ্রী মোদিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি কেরলমগী ইরনাকুলমদা লুপা কোতি লিশিং ১১ রোমগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখি। ঙসি শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা হাইৱে প্রোজেক্ট অনি য়াওরি। শ্রী মোদিনা ভারত পেত্রোল্লিয়ম কোরপোরেসন লিমিতেদকী পোলিপ্রোপেলিন য়ুনিত অমা কোচি রিফাইনারিদা শাননবা যাত্রাসু হুনখি। প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ৫,৫০০ চংনা পায়খৎকদবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেটঃ থা অসিগী ২০ দগী মথং থাগী ৩ ফাওবা পুদুচেরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র ৱিমেন্স ইন্তর জোনেল মল্টি ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ওইনা মণিপুরদগী শান্নরোই অহুম নিরুতা থৌদাম, কৈশাম কলপনা দেবী, রাজকুমারি লিন্থোইঙম্বী দেবী অমসুং কোচ ৱাইখোম গঙ্গা দেবী খল্লকপদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমসুং ডব্লিয়ু রামানন্দা ইলিট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থৌবালগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এস.সি.সি.সি-শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইনা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালবু ৱিকেট ৬ থোইখ্রে।

ইম্ফালগী মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতা পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরনা ট্রাউ ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৬ তা থোইখি।

------